## জি এস টিগী কান্নবা ফংনবা হোৎনবদা চহী ১ রোম চঙখিগনি : অধিয়া

# জি এস টি কাউন্সীলগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা টেক্স রেজিম অসিনা অপীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাউবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদা পীরিবা পোৎলম হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎকপদবা ৱাৎলি হায়না রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

পি টি আইদা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি, জি এস টিগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি সার্বিস টেক্স অমদি ভেল্যু এদেদ টেক্সনচিংবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট টেক্স কয়ামরুম অমত্তা ওইনা পুনশিনহনখ্রে। মীয়াম্না অনৌবা টেক্স রেজিম অসিগী কান্নবা ফংবদা চাউরাক্লা চহী ১ রোম চঙখিবা য়াই।

জি এস টি চৎনহনখ্রবা মতুংদা মায়কৈ কয়াদগী ৱাকৎ কয়ামরুম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা রেভিন্যু সেক্রেটরিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অপীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাউবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহল্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, জি এস টিনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম ১০০ লোমদা লৌরম্বা টেক্সকী চাং মতমগা চুনবা মওংদা লেপখিবগা লোয়ননা এক্সপোর্টরশিংগী রিফন্দ প্রোসেসতা লায়থোকহল্লে।

মথং থাগী ১০দা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা চ্যেরমেন ওইবা জি এস টি কাউন্সীলগী ২৩শুবা মীফম গুৱাহাটিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা পূম্নমক কোকহন্নবা হোৎনরগন হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, দিমোনে-টাইজেসন অমসুং জি এস টিগী মতাংদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

এ এন আইগা অখন্নবা উনখিবা অমদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা ফিরেপ অসি শেল-থুমগী লমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংনা লেপ্পুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লখিবা তারবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলক্লি হায়না লৌবা য়াই।

শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা জি এস টি অমদি দিমোনেটাইজেসনগুম্বা নুপা থোকপা ফিরেপ লৌবা মথৌ তাই হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা কোংগ্রেসনা অয়েৎপা পীরকখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অরানবা মওংদা তানশিনখিবা ব্লেক মণি অমসুং জালি নোটকী মায়োক্তা লৌখৎখিবা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা কোংগ্রেসনা অয়েৎপা পীরক্লিবসিগী মরম অমা শোয়দনা লৈফম থোকই। মতম শাংনা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা ব্লেক মণি অমসুং জালি নোটকী মায়োক্তা মশক থোকপা থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিদে।

জি এস টিগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মতম অমদা থৌরাং অসি কোংগ্রেসনা পায়খৎপা হৌখিবনি। হৌজিক্লা অমুক কোংগ্রেসনা জি এস টিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লে।




# ‘আধার অমদি বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং খুদক্তা লেপকদবনি’

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

গভর্ণমেন্টনা আধার অমদি বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিবু ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ওফিসার্স কনফিদরেসন (এ আই বি ও সী)না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা এ আই বি ও সীগী জেনরেল সেক্রেটরি দি টি ফ্রেঙ্কোনা হায়খি, মীপুম খূদিংমক তঙাইফদনা আধার কার্দ পায়গদবনি হায়বা ৱাফম অসি য়েৎননিংঙাই ওইবা মরম্না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী অরোইবা ৱায়েল পীদ্রিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণমেন্টনা আধার অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়বসি মরম চাদে।

মেম্বর ৩,২৫,০০০ লৈবা খ্বাইদগী চাউবা ওফিসারশিংগী ওর্গনাইজেসন ওইরিবা এ আই বি ও সীনা হায়খি, বেঙ্ক অয়াম্বা ষ্টাফ ৱাৎপদগী থবক নীংথিনা তৌবা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণমেন্টনা অহেনবা পোৎলুম অমা অমুক থোনগৎপীরে।

অখন্নবা ব্রাঞ্চ খরদা স্পেসল সেল হাংদোক্তুনা আধার এনরোলমেন্টকী থবক পায়খৎনবা হোৎনবদা বেঙ্কশিংনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। ছুটি নুমিত্তা ফাওবা বেঙ্ককী ষ্টাফ অমদি ওফিসারশিং মথৌ তৌহন্দুনা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি মতম খরা লেপহনবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এ আই বি ও সীগী জেনরেল সেক্রেটরিনা হায়খি, প্রধান মন্ত্রি জন ধন যোজনা অমদি মুদ্রানচিংবা অতৈ স্কিমশিং চৎনহন্নবা হোৎনবদা বেঙ্কশিংনা হান্নদগী হৌনা মথৌ হেন্না তৌদুনা লাক্লি। মতাং অসিদা আধার অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং লিঙ্ক তৌহন্নবগীদমক অনৌবা পোৎলুম অমা থোনগৎপা মরম চাদে।

সুপ্রিম কোর্টনা গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা আধারবু তঙাইফদবা মচাক অমা ওইহল্লোইদবনি হায়না পীখিবা ৱায়েল অমবু মহাক্না নৌহৌনা ফোঙদোকখি।

আধারগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা অরোইবা ৱায়েল পীরক্ত্রিবা ফাওবা বেঙ্ক একাউন্ট অমদি আধার লিঙ্ক তৌহনবগী থৌরাং লেপহনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না হায়খ্রে মদুদি, আধার অমসুং বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহন্নবগী মতাংদা মখল অমত্তগী য়াথং পীখিবা লৈতে। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুং ইন্না অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

মনিলাইফ ইন্দিয়ানা ফাইল তৌখিবা আর টি আইগী পাউখুমদা আর বি আইনা হায়খি, হৌখিবা জুন ১দা গভর্ণমেন্টনা গেজেট নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবদা আধার অমদি পান য়াওদবা য়াহনখিদবনি। আর বি আইনদি হীরম অসিগী মতাংদা ইন্সট্রক্সন পীখিবা লৈতে।



# হিমাচল প্রদেশতা বিরভদ্র সিংহগী মচানুপা কোংগ্রেসকী টিকেট ফংখ্রে; মোদিনা বি জে পিগী ভোট খোমগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর বিরভদ্র সিংহগী মচানুপা বিক্রমঅদিত্য সিংহবু শিল্লা রুরেলদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা বি জে পিগী ষ্টার কেম্প্যেনর ওইগদবা মীওই ৪০গী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু য়াওরি হায়না পার্টিনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইমুং অমদা টিকেট অমা পীবা হায়বা কোংগ্রেসকী ফিরেপ্পুগী খজিক্তং নাথৈরগা হিমাচল প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরগী মচানুপা বিক্রমঅদিত্য সিংহবু শিল্ল রুরেল কন্সটিট্যুয়েন্সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখি।

পার্টিগী সোর্চ অমনা হায়খি মদুদি, অহানবদা কোংগ্রেসনা ইমুং অমদা টিকেট অমদগী হেন্না পীবা য়াদে হায়বা ঙাক্লবা অদুবু মায়কৈ কয়াদগী অকনবা প্রেসর পীরকখিবা মরম্না চীফ মিনিষ্টরগী মচানুপাদা টিকেট পীখিবনি।

বি জে পিগী ওইনসু মীখল অসিদা কোংগ্রেসপু মায়থিবা পীনবগীদমক মীওই ৪০না শাবা ষ্টার কেম্প্যেনরশিংগী লিষ্ট অমা শেমখি। লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা মীওইশিংদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহ, উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ, গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর পরিকার, তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, হিমাচল প্রদেশকী এম পি অনীমক অমসুং অতৈ লূচিংবা কয়ামরুমনি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱারাদা খুৎ থোক্লবদা টেররিষ্ট অমা শিখ্রে

জম্মু, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হন্দৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং টেররিষ্টশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে।

থৌদোক অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টেররিষ্ট অমা হাৎখিবগা লোয়ননা গ্রেনেদ অমা, রাইফল অমা অমসুং পাকিষ্টানগী শেনয়েক কয়ামরুম ফংবা ঙল্লে হায়না এ এন আইগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হন্দৱারাগী হাজিন এরিয়াদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট খরা লোত্তুনা লৈরম্বা য়াই হায়দুনা চিংনবদগী মফম অদুদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। টেররিষ্টশিংনা পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী লূচিংবা মহমদ অসরফ পিরগী পুলৱামাদা লৈবা ময়ুমদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

হন্দক মরক পাকিষ্টান্না শৌগৎপা টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈঙাক পায়রিবা পি দি পিগী লূচিংবশিংগী মথক্তা তোয়না এটেক চথরকখিবগা লোয়ননা মীওই কয়ামরুম হাৎখ্রবনি।

হৌখিবা মে থাদসু টেররিষ্টশিংনা পি দি পি পুৱামা দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট অব্দুল গানি দরবু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

চৈরকসিদা, ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর রজিব জেননা হায়খ্রে মদুদি, চহী অমগী মনুংদা সিক্যুরিটি পার্সনেল ৩৮৩ মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রে।

পুলিস কমেমোরেসন দেগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবদা জেননা হায়খি, কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বরদগী হৌখিবা ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা পুলিস পার্সনেল ৩৮৩ মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেশ পুলিসকী পার্সনেল ৭৬, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী ৫৬, সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী ৪৯, জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী ৪২, ছটিসগর পুলিসকী ২৩, ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী ১৬, দিল্লি পুলিসকী ১৩, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্সকী ১৩, বিহার পুলিসকী ১২, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিসকী ১১ অমসুং কর্নাটাকা পুলিসকী ১২ য়াওখি।

লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেল অয়াম্বা পাকিষ্টান্না ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপা, জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লালহৌবা মায়োক্লবা, নক্সলাইটকী অকনবা মফমশিংদা মাওইষ্ট লালহৌ-বশিংগা থেংনবা অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদবনি হায়রি।

কুমজা ১৯৫৯দা চাইনাগী লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা পুলিস পার্সনেল ১০ অমসুং ইন্দিয়াগী অপুনবা শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায় থাখ্রবা অতোপ্পা পার্সনেল ৩৪,৪০০গী মফমদা ঈকায় খুম্নবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।



# শেন্মীৎলোন অচুম্বা মায়কৈদা পুরকপা ঙল্লে : নরেন্দ্র মোদি



দহেজ, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, সেন্টরনা মরুওইবা ফিরেপ খরা লৌখিবদগী লৈবাক অসি হীরম খূদিংমক্তা চাউখৎলকপগা লোয়ননা শেন্মীৎলোনগী ফীভমসু তপ্প-তপ্পা ফগৎলক্লে।

গুজরাটকী খোঙচৎতা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা জি এস টি রেজিমদা রেজিষ্টর তৌদুনা শেন্মীৎলোন চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়ারকপা তারবদি ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা রেকোর্দ ফাকত্তুনা য়েংলোই। করিগুম্বা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা জি এস টি রেজিমদা রেজিষ্টর তৌরক্ত্রবদি ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপা য়াই।

নোংমগী খোঙচৎতা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখল পাঙথোক্কদৌরবা গুজরাটতা ঘোঘাদগী দহেজ ফাওবা চৎপদা পুং ৮ চঙলম্বদগী পুং ১দা হন্থহন্নবগী পান্দমদা ‘রো-রো’ (রোল ওন রোল ওফ) সার্বিস লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি, প্রোজেক্ট অসিনা গুজরাটি ক্রোর ৬.৫গী অপাম্বা ফংহল্লগনি।

ওপোজিসনবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা প্রোজেক্ট অসি মায় পাকহন্দনবা হোৎনখি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা মীওই ক্রোর কয়াগী অপাম্বা ফংহন্নবগীদমক ঘোঘাদগী দহেজ ফাওবগী ফেরি সার্বিস শঙ্গাখিবনি।

গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা কেদরনাথকী লাইশঙ শেমগৎনবা হোৎনবদা কোংগ্রেসনা অথিংবা পীখি হায়না প্রোজেক্ট মঙাগী উরেপ-উয়ুং তম্বগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবনি।

# অযোধ্যাদা হিন্দু-মুস্লিম য়েংথিনবা লৈতে : প্রিষ্ট

অযোধ্যা, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

মতম খরগী ওইনা শেমগৎপা রাম টেম্পলগী প্রিষ্ট মহন্ত সত্যান্দর দাসনা হায়খ্রে মদুদি, বিস্ব হিন্দু পরিষদ (ভী ঐচ পি) য়াওনা কাঙলূপ কয়ানা বাব্রি মসজিদকী মতাংদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি।

অযোধ্যাদা লৈরিবা হিন্দু অমসুং মুস্লিম ফুরুপকী মরক্তা হীরম অসিগা মরী লৈননা য়েৎনবা অমসুং নুংঙাইনদবা লৈতে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আই এ এন এসকা উনখিবা অমদা দাসনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা য়েৎনরিবা মফমদা রাম টেম্পল শানবগী মতাংদা অরোইবা ৱায়েল পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা মফমদা রামগী টেম্পল লৈরমই হায়বা ৱাফম অসি মীপুম খূদিংমক্লা য়ানরবনি।

মপান লৈবাক্তগী চঙলকপা মুস্লিমশিংনা রাম টেম্পল থুগাইরগা ১৬শুবা চহী চাদা বাব্রি মসজিদ শাখি হায়বা ৱাফম অসিসু পূম্নমক্লা খঙনরবনি। হীরম অসিদা কনাগুম্বা মীওই খরনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরিবসি খুদক্তা লেপকদবনি।

অযোধ্যাদা খুন্দারিবা ফুরুপ মশেল নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ভী ঐচ পিনা মুস্লিম ফুরুপকী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোত্তুনা কাঙলূপ মশেল নুংশিনহন্দনবা হোৎনরি। শাংবা চহী ২৬ লাইশঙদা রামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবা কাঙলূপ মশেল নুংশিনদনবগী থৌদোক অমত্তা থোকখিবা লৈতে। ভী ঐচ পি অমসুং লূপ খরনা হিন্দু অমদি মুস্লিম ফুরুপকী মরক্তা শীংচেপ থাজিনবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অযোধ্যাগী সরিয়ু তুরেল মনাক্তা রামগী অচৌবা মিতম অমা শানবা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদ মনাক নক্লা শাগদৌরিবা রামগী মিতম মিটর ১০০ ৱাংগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা উত্তর প্রদেশতা রিলিজিয়স টুরিজম চাউখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা অযোধ্যাদা খিন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎনবা হোৎনরি। হায়রিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা অযোধ্যাদা মিটর ১০০ ৱাংবা রামগী মিতম অমা খিন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা থবক পায়খৎলকপনি হায়না উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা অবনিস অৱাস্থিনা ফোঙদোকখিবনি।

সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমদা উত্তর প্রদেশকী অযোধ্য দিষ্ট্রিক্টতা রামগী টেম্পল মনাক্তা মোস্ক অমা শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রামগী পোক্লফম লমদম ওইরিবা অযোধ্যাদা মুস্লিম ফুরুপকী মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মোস্ক শাবদা অকায়বা লৈতে। বাব্রি মসজিদকী অশেংবা মপু সিয়া ৱাকফ বোর্দনা ওইবা মরম্না মসজিদ শাবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌবসু বোর্দনা লৌগদবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা রাম জন্মভুমি-বাব্রি মসজিদকী মতাংদা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা বোর্দকী এফিদেবিট অসি ফাইল তৌরকখিবনি।



# সী বি আইনা বোফোর্সকী অরিবা ফাইলশিং থিগৎপা হৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২২ (এজেন্সী):

সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না বোফোর্সকী অরিবা ফাইলশিং থিগৎনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে।

সী বি আইগী সোর্চ অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিগী মরুওইবা মীফম অমদা মীয়াম্না কাউথোক্লখ্রবা কেস অসিগী ফাইল নৌনা অমুক থিগৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

সী বি আইগী দিরেক্টর অলোক কুমার বর্মানা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অনৌবা টিম অমা শেমদুনা বোফোর্সকী ৱাথোক নৌনা অমুক থিগৎনবা ৱারেপ লৌখি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জোইন্ট দিরেক্টরগী থাক্তা লৈবা অৱাংবা থাক্কী ওফিসার অমনা লূচিংবা টিম অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। মসিগীসু মথক্তা সী বি আইনা কেস অসি হান্না পায়রম্বা ইনভেষ্টিগেটরশিংগা পাউ ফাওনদুনা মরুওইবা ইনফোর্মেসন কয়া লৌনবা হোৎনরি।

দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সনেল এন্দ ট্রেনিংদা থাখিবা চেরোল অমদা সী বি আইনা দিল্লি হায় কোর্টকী ৱায়েল অমবু শীংনরদুনা বোফোর্স কেসগী মতাংদা স্পেসল লিভ পিটিসন অমা ফাইল তৌরগনি হায়রি।


## GRATITUDE



Ashok Kumar

It is my moral obligation to show my sincere gratitude to **Sir Ashok Kumar** as he has healed my prolonged sickness i.e. **Frozen Shoulder** after only **5 days treatment.** I have been suffering from such sickness for the last one year. In fact, I could not raise my left hand, unable to bind my hair and my shoulder remained in pain which caused me so much trouble. It is really wonderful and incredible treatment at **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** It is my prayer for him to continue serving for the people. May Lord Jesus bless him.

*Sd/-* **Alam Haokip**
Dewlahland, Imphal

HL-P/013/23



## নিংথৌখোংদা CONDOLENCE পাঙথোকখ্রে



হৌখিবা তাং ২০/১০/২০১৭ ইংদা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রবা Bishnupur Family Officer সু ওইরম্বা Dr. P. Shyamkumar Singh না মনুং মতম চাদনা পুন্সি পীখম্নখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা নিংথৌখোং Public Park তা হৌখিবা তাং ২১/১০/২০১৭ ইংগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫:০০ তাবা মতমদা লৈকৎ লৈহুন তমদুনা অমদি মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লৈদুনা D-CACUS-EDUCATION CENTRE, SAN অমসুং WUSYF-N না মীয়ামগা পুন্না CONDOLENCE পাঙথোকখ্রে।

*Sd/-* **Dr. I.S. Konthoujam**
***CMD, DCEC, MANIPUR***

HL-P/014/23



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: WAIKHONG**

***Ref:- Mut. Case No. 264 / 2017*** ***Dated 16/10/2017***

Aidouliankap Zou S/o (L) Paokhanthang Zou of Singtam Village. ...... *Applicant*

-Vrs-

(Late) Mangjamang Zou S/o (L) Senho Zou of Singtam Village. ...... *O.P.*

## /NOTICE

Waikhong, the 16/10/2017

Under Section 86 (3) of MLR & L.R Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা শ্রী Mangjamang Zou S/o (L) Senho Zou of Singtam Village পাট্টা নং ৯৩/৬৭ দাগ নং ৪২ এরিয়া ১.৫৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী মনুংদগী ০.৬২ একর চাওবা লম অসি দংকারীগী মীংদা নমা পানবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে (খবর) অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিশুবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখজগনি।

***Sd/-* Sub-Deputy Collector:**
Waikhong

HL-P/012/23



## /অপেনবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

ঐগী ওইথংবা কিদনীদা নুঙ অমা লৈবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক হপ্তা অনী চারবা তুংদা অলট্রা সাউন্দ লৌদুনা অমুক য়েংজরুবদা নুঙ অদু লৈরমদ্রে। মসিগীদমক ইবুং **সুধাকর**বু পাউচেগী থোংদা অপেনবা ফোঙদোকচরি।

***থাগৎচরিবী : খোকচোম সুনিতাবী দেবী***
***কোংপাল খাইদেম লৈকাই।***

HL-P/4647/23



**NINGTHOUKHONG CULTURAL ACADEMY (NCA)**
H.Q.-NINGTHOUKHONG, BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR - 795126 (INDIA)
Estd: 19:10:2017, Phone No. - 9856091105

## MANAGEMENT COMMITTEE শেমখ্রে

নিংথৌখোংদা Cultural Academy অমা লিংখৎনবগীদমক হৌখিবা তাং ১৯/১০/২০১৭ ইংদা অপুনবা মীফম অমা ফমদুনা DCEC Conference Hall দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মখাগী মীওইশিং অসিবু Managing Committee গী মেম্বরশিং ওইনা খনখ্রে।

| Sl. No. | Name | Designation |
|---|---|---|
| 1. | P. Kumarjeet Singh | Chairman |
| 2. | M. Brajabidhu Singh | Vice Chairman |
| 3. | Th. Ibomcha Singh | Vice Chairman |
| 4. | Dr. I.S. Konthoujam | Secretary General |
| 5. | R.K. Rabikanta Singh | Joint Secretary |
| 6. | Th. Ibomcha Singh | Organising Secretary |
| 7. | L. Krishnachandra Singh | Treasurer |
| 8. | Kh. Ramananda Singh | Executive Member |
| 9. | K. Ningthemjao Singh | Executive Member |
| 10. | L. Premananda Singh | Executive Member |
| 11. | RK. Viteshwor Singh | Executive Member |

*Sd/-* **Dr. I.S. Konthoujam**
***Secretary General***

HL-P/4652/23